# DISCOVERY OF KANGLEIPAK
## (65)
## নোঙ্গারোলগী থা ১২ মনুংগী থৌরম।
## 02-08-2015

*By : Wangkhemcha Chingtamlen*

নোংকালোন হায়বসি নোংকুমলোনগা তৎনবা য়াদনা মরি লৈনৈ। নোংকালোনগী ৱাহন্থোকসি, নোংকুমলোন হায়বসি করিনো খৎদ্রবদি ৱাহন্থোক মপুং ফাদে। নোংকুমলোন অমসুং নোংকালোন ৱাহৈ/concept অনি অসিগী ৱাহন্থোক মুন্না খংলবা মতমদতা, Subject matter অসিগী ৱাহন্থোক শেংগদবনি।

নোংকুমলোন হায়বগী ৱাহন্থোকতি, পলেম মানবী মালেম লৈমা অসিদা হিংলিবা থৌৱাই পানবা পুন্নমক অসিগী থৌৱাই অসি নোংমতোন মথকতগী তিংপালপা মপু, ঈপুঙলোইনপা অপকপা মহাক্না মালেম অসিদা থাদরক্লগা, মালেম অসিগী তমপাকতা খুলিংদুনা পাল্লবনি। মসিবু নোংকুম্বা কৌই। মসিনি নোংকুমলোন হায়রিবসি।

কংলৈ মীতৈ ঐখোয়না থাইনদগী হায়নরকই - কনাগুম্বা অমগী ইংখোলদা থৌৱাইমিচাক মথি তারবদি, ইংখোল অদুগী নুপী অমা মশা শংদে। মসি তাইপঙ থৌৱাই অসি নোংমতোন মথকতগী লাকপনি হায়রিবনি। মসি ২১ শুবা চহী চাদা Science না খংবা হৌরকলিবা, মুন্না চাওথোক্লা হায়বদি ঙমদ্রিবা Extraterristrial Origin of Life হায়বা অদুনি। অদুবু হৌজিক্তি ঐখোয়না হায়রিবা Exraterristrial Origin of Life অসি পুয়াদা ফজনা ইদুনা ইপা ইপুশিংনা থমবিরমদগী মুন্না খংলে। পুয়াদা অসুম্না ইরি ঃ "থৌৱাই লৈলিপা পুমনমক্লা মপুকী লিখুন থিনানপা অমতি মাপু অমা লৈ হাইপা খঙনপকীতমক। ইপুঙো মহাককী থৌসিননা লাইয়ামশিংপু পুথোকতুনা। লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতপাকী মফমতা তলঙ লাইপাউ পীতুনা। নুমিৎ হুমনি সুপাকী অঙাংকী মতমকুমনা সানাকী মসক মালপা নৌৱা ৎ (অমা) ওইনা লৈলমকে। ঐ অসিপু নহাককী নচামকনি নিঙতুনা ঐপু য়োকলো। হায়েং চক অমতা তাইপঙপালপা মনুঙ ওইননপাতা। লাইয়ামসিঙকী ঈয়েক খোনথোক মতুঙ ইননা মাঙতানপা উলি ৱালি। মীনচিংনা অসি খৈপীকপু সালকপা, মতমতা ঐনা নঙকী নতেং পাংকনি হাইনা তলঙ লাইপাউ পীখিয়ে। লাইপাউকী লিখুন লীকলমপু লাইয়ামসিংনা তাচখি ॥০॥"

মথকতা ইজরিবা অসি পুয়াদগী লৌথোকচবা, পুয়াদা য়াম্না শেংনা ইবা, তলঙ লাইপাউ (তরং লাইবাউ) হায়বা, তাইপঙ পুন্নমক্কী মপা ওইরিবা কোইলৌ নোংমতোন থকতা লৈবা, ঈপুঙ লোইনপা অপকপা (Universal God Father) অদুনা সালাইলেল সিতপা (ইপা সোরারেল) দা পীরকপা তাইপঙপালপা শেম্নবগী তলঙ লাইপাউনি।

লাইপাউ অসিগী মতুংইন্না সনামহী লাইনিংথৌ পুথোক্তুনা পলেম মানবী মালেম লৈমানা পাখংবা পোকতুনা, শা লাই তরেৎ সন্দোরকতুনা ঐখোয় ময়াম হৌজিক উনরিবা হিংলিবা অসিনি। মসিবু নোংকুমলোন কৌই।

ঐখোয় মীতৈ কংলৈচাশিংনা উরিবা লাই হরাউবা নত্রগা উমং লাই হরাউবা হায়বা হৌজিক্কী মালেমগী ফাওরবা কংলৈ থৌরম অসি, মথক্কী পুয়াগী ঈপুঙলোই অপকপনা মালেমদা তাইপঙপানবা থৌৰাই পানবশিং শেম্নবা পীরকপা তলঙ লাইপাউ অসিদা য়ুমফম ওইরগা কংলৈ ইপা ইপুশিংনা কৌব্রূ চীংকোনদগী হৌরগা ১৮ শুবা ইং চহীচা ফাওবা চৎথরম্বনি।

হৌজিক্কী 'লাইবৌ চোংবা' হায়রিবা অদু 'লাইপাউ চোংপা' হায়গদবনি, 'লাইপাউ' হায়বনা মপু মানা তাইপঙ শেম্বা লাক্লনি হায়না পীরকপা 'পাউ' অদুবু হায়বনি, অদুগা 'চোংপা' হায়বনা, কৌব্রূ চীংদোন্দা মপু মানা অহানবা শেম্বা 'লৈমা- লাই' নত্রগা 'লাই' হায়বা মী কাংলুপ অদুনা মপু মানা মখোয়বু শেম্বীবগদমক হরাউবা, চোংবা, জগোই শাবা অদুবু তাকপনি। 'লাইবৌ চোংবা' হায়রিবা অসিদি লাই হরাউবগী লিখুন মুৎখিনবা কাংবু অমনা শেমদোক শেমজিন তৌখিবনি।

লাংথ্রৈ মতোন অহুম, 'লা'দা কৎলিবা থমলিবা অদুনা, 'লাংথ্রৈ মতোন অহুম' অদুনা ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মপু অদুবু মহুৎ শিনবনি, মপু মহাক অদু মৈ, ইশিং, নুংশিৎ অহুম অসিগী অপুনবা শকতমনি, অদুগা 'লা' অদুনা মমাগী শকতম লৌরিবী মালেম লৈমাবু মহুৎ শিনবনি। অসিবু 'লৈতাই নোংতাইপা' কৌই। 'লা' মথকতা 'লাংথ্রৈ মতোন অহুম' থম্লগা লাই খুরম্লগা 'লৈতাই নোংতাই চকোই' শারকলিবা অদুনি।

লাই হরাউবগী মতাং অসি ফাউবদা উৎলিবা অসি, তাইপঙকী মপা ওইরিবা সালাইলেন সিতপা(ঈপা সোরারেল) গা পলেমগী শকতম লৌরিবী মালেমগা শম্নরে তাইপঙপালপা শন্দোক্লবগী থবক হৌরে হায়বা তাকপনি।

কংলৈ মীতৈ ঈ কাংলুপকী 'লাই হরাউবা' Extraterristrial Origin of Life হায়বা Science কী knowledge দা য়ুমফম ওইবা, মালেমগী খ্বাইদগী ঙনবা খুন্নাইগী থৌরমনি। মালেম (পৃথিবী)গী মীওই অতৈনা মতৌ তম্বা ফাওবা হৈরোইদবা, য়াম্না classical ওইবা, unique ওইবা থৌরমনি।

মথকতা ইজরিবা পুম্নমক অসি, তিংপালনা মপু ঈপুঙ লোইনগা অপকপা অদুনা নোংমতোন্দগী লাক্লগা মালেমদা মী শেম্নকপগী অহানবা থবকনি, ' নোংকুমলোন' কৌই। 'নোংকুমলোন' অসিদা মীশেম্বা লোইরগা মীওইবগী 'লাইপক' অমসুং 'থমমোই' দা মপু মানা 'মি' কৌদুনা মীওইবগী হকচাংদা লেংদনা লৈ।

## নোংকালোন

মীতৈ কংলৈচা অয়াম্বনা 'নোংকাপা' 'নোংকালোন' অনি অসিগী ৱাহন্থোকসি 'সিপা' নত্রগা 'শিবা' হায়বা অসিগা অমতা ওইনা চপ মান্ননা লৌই, মদু নত্তে। নোংকাবা নত্রগা সিবা অনি অসি তোঙান তোঙানবা Etymological Origin নি।

## হকচাং অমসুং হকশেল

মীওইবা ঐখোয়গী 'হকচাং' হায়বা অসিগী ৱাহন্থোক খংবিয়ু হকচাং = হক + চাং, কংলৈ ইপা ইপুশিংনা অহকপা লৈবা পোৎ, অরুম্বা লৈবা পোৎ (Element, matter) পু 'হক' কৌই, হকপা নত্রগা অহকপা লৈবা পোৎ (Element, matter ) শিংবু চাং হায়বদি চাং চানা (proportion) চুম্না খন চানা (in balance) থম্লগা মপু মানা মীওইবা ঐখোয়গী 'হকচাং' শেমই। মীতৈ ইপা ইপুশিংনা মৈ, ইশিং, নুংশিৎ, লৈপাক, অতীংআ মঙা অসি পুল্লগা হকচাং শেমই হায়না খংলমই। অতোপ্পা লোন্দা অমুক হায়বা তারবদি, Hydrogen, Oxygen, Carbon, Iron, Sodium, Calcium etc. পুন্নমক অসি চাং চানা পুনশিল্লগা থম্লগা 'হকচাং' শেমই। 'হকশেল' হায়বনা হক+শেল,হায়বদি হকচাং শাগৎলিবা 'হক' পুন্নমক অদু চাং চানা লৈরিব্রা হায়বদু শেন্নবা, চাং কায়রকপ্রা হায়বদু শেন্নদুনা য়েংদুনা লৈবা অদুবু 'হকশেল' কৌই। Physician গী থবকনি।

করিগুম্বা লাইনা অমনা কন্না নাদুনা নত্রগা চহী য়াম্না য়ামশিল্লকতুনা হকচাংগী চাং অদু থম্বা ঙম্লকত্রবা মতমদা, Doctor (Physician) কৌদুনা য়েংহল্লি। চাং কায়রকলিবা ৱাৎলকলিবা 'হক' (Element, matter) অদু হাপচিল্লগা নাবা, চাং কায়রকপা অদু থিংদুনা নাবা ফহল্লি। শম্না হায়রবদা নারিবা অদু Calcium ৱাৎপা ওইরগা, Calcium injection তৌরগা নাবা ফৈ। Physician না হোৎনবা পুন্নমক fail ওইরবা, হকশেলগী থবক পুন্নমক fail ওইরবা কান্নদ্রবা মতমদা মীওইবা অদু সি, সিবা হায়বদু অসিনি।

হকশিংগী অরেপ্পা চাংনা পুন্দুনা থম্লম্বা, হিংলম্বা মীওইবা অদু, চাং অদু থম্বা শুকঙম ঙম্লকতবদগী চাংনা 'পুনসি' ওইরম্বা মীওইবা অদু চাং মাংখিবদগী সি, সিবা হায়বসি মসিনি। 'সিবা' হায়বদি 'সিদোকপা' তোখায় তোখায় তাখিবা, য়ুম অমগী সাগৎলিবা পোৎশিং অদু তোঙান তোঙান শিদোকতুনা থমখিবা হায়বনি। হৌজিক মপু মানা হকশিংবু চাং চানা থমদুনা শেমখিবা মীওইবা অদু সিরে।

কংলৈ ইপা ইপুশিংনা 'হে থৌৰাই মঙামক, মিগা থানা তরুকমক' হায়। মৈ, ইশিং, নুংশিৎ, লৈপাক, অতীংআ মঙা অসি চাং চানা থল্লবসু অহিংবা মী, থৌৰাই পানবা মীওইবা ওইবা য়াদে। কংলৈ ইপা ইপুশিংনা তিংপানপা মপু, ঈপুঙলোইনপা অপকপা অদুবু 'মি' হায়রগসু খংনৈ। হক লৈবা পোৎলমশিং (Element শিং) চাং চানা থমদুনা শেল্লবা 'হকচাং' অদুগী 'লাইপক' থমমোই' দা , তাইবঙকী মপা ওইরবা 'মি' অদুনা, লেংশিন্দ্রি মখৈ, মচা মশু নুংশিবা খংলিবা, মপু মাবু নিংলিবা মীওইবা হায়বদু ওইবা য়াদে। মপু মানা 'লাইপকতা, 'থমমোই'দা লেংশিন্দুনা লেংদুনা লৈরবা মতমদতা অহিংবা মীওইবা ওই।

মীওইবা হায়বা, তাইপঙ মীওইবা ঐখোয়গী 'শিবা' হায়বা থৌদোক অসিদা, থৌথোক অনিখক চপ মান্নবা থোকই। অহানবদা তাইবঙ হকচাং, মপুগী শংলেন লাইশং অসি শিদোকপা, অনিশুবদা তাইপঙ পালপা মপুগী লাইশং শিদোকখ্রবনিনা, মপু মহাক্না 'মি' কৌনা লৈরমবদু য়াদ্রদুনা, মপু মাগী হৌফম ওইরিবা নোংমতোন থকতা তাইপঙ ঈপাক লান্দুনা তিংপানবা মপু মঙোন্দা তিনখিবা। মীওইবা ঐখোয়গী 'হকচাং' অসি তাইপঙগী মপা ওইরিবা মপু মহাক্কী লাইশংনি. মপু মহাক্না হকচাং অসি শেন্বা লোইরবা মতুংদা, 'লাইপক' থমমোইদা মপু মানা, মীওইবা অদুনা শিদ্রিবাফাওবা লেংশিন্দুনা লৈ। সিবা নুমিৎতা, হকচাং অদুনা 'চাং' কায়দুনা লৈবা য়ারকতবদগী, মৈ, ইশিং, নুংশিৎ, লৈপাক, অতীংঙা মঙামক, মাগী মাগী মফমদা, হায়বদি মৈনা মৈদা, ইশিংনা ইশিংদা, নুংশিৎনা নুংশিৎতা, লৈপাক্না লৈপাকতা, অতীংআনা অতীংআদা  তোখায় তোখায় তিনখি। মপু মানা শেন্বা হকচাং অদু মপুং ফানা সিদোকখি। লাইশং ওইরিবা তাইপঙ হকচাংনা মচেৎ মচেৎ কায়খিবা, মপুং ফানা শিদোকখিবনা, লৈবা য়ারকতবদগী 'মি' কৌরিবা মপু মহাকসু, নোংমতোন থকতা লৈরিবা, মহাক্কী হৌরকফম ওইরিবা, তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মাঙোন্দা, তাইপঙ ঈপাক লান্না পাইখৎখিদুনা, খুদকতা তিনখি।

তাইপঙ মীওইবা অমনা শিবা মতমদা, তাইপঙ হকচাংদা 'মি' কৌনা লৈরম্বা, তাইপঙ মীওইবগী 'থৌৰাই মি' অদুনা তাইপঙ হকচাং থাদোক্তুনা নোংমতোন থকতা, তাইপঙ ঈপাক লান্দুনা তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনবগী মশাদা অমুক হন্না তিনখিবা অসিবু নোংকাপা, নোংকালোন কৌই।

## কংলৈ মীতৈগী নোংকালোন (নোংকাপকী) মতুংগী থা ১২গী থৌরম

তাইপঙ মীওইবা অমনা শিখিবা, লৈখিদবদা থোকলিবা অসি মখাগী অসিনি। মীওইবা অদুগী তাইপঙ হকচাংনা চংপী লারাক অমগী মথকতা, চংপী লফু অমগী মতেক অমদা মোন খাংদুনা, খাংপোকশং মনুংদা উতুপ অমগুম লোংনা তাদুনা লৈহৌই, অদুগা মীওইবা অদুগা পুনসি চুপ্পা লোইনদুনা লাকপা থৌৰাই মি অদুনা তাইপঙ ঈপাক লান্দুনা নোংমতোন থকতা লৈরিবা তাইপঙ পালপা পুম্নমক্কী মপা ওইরিবা তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা অদুদা তিনখি। তাইপঙ মীওইবগী থৌৰাই- মিনা, থৌৰাইকী থৌৰাই ওইরিবা তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা মঙোন্দা তিনখিবা

অসিদা তাইপঙ মীওইবা অমগী নোংকাপা মপুং ফারে। হৌজিক লাকলিবা ৱাফমনা, নোংকাখিবা অসিগী মতুংগী থা ১২ দা লৈহৌরিবা মচা মশুশিং, লৈখিদ্রিবা অদুগী মরি মতাশিংনা, লৈখিদ্রবা নোংকাখ্রবা অদুগীদমক করি তৌগদগে অসিনি।

তাইপঙ পানবদা লৈহৌরিবা ইমুং মনুং মরি মতাশিংনা তৌগদবা অহানবা থবক অসি, তাইবঙ পানবগী মপু ওইরিবা থৌৱাই- মি য়াওদ্রবা হকচাং অদুবু লোইশিনবনি। কংলৈ মীতৈ কাংলুপকী চৎনবী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওইবা অদুগী হকচাং অদু ইরু শাতেংলগা ফিরোল ফজনা শেৎপী ইনবিরগা নমশা নমবীদুনা কু অমগী মনুংদা থল্লগা ফুমগনি। মসি কংলৈ মীতৈগী লীচৎকী হৌনবীনি।

হৌজিক ২০ শুবা অমদি ২১ শুবা চহীচাদা শিরবা মীগী পোৎলোইবা পুথোকপদা মখাগী লান্ন- ইশৈ অসি শকই -

হৈরাংখোইনিদা
চানবা হৈনিদা
সিবু থোইনা হাওবা হৈদি
চিনতম্বা হৈনিদা।
ময়াই লৈকায় থম্বাল শাৎলে
খোইমুনা ইল্লে খোইরাবা
সাপী লাও লাও চৎসি লাও
কল্লকপা য়াম্মী কনজাওবা য়াম্মী
মাংদা থারো লাও।
লানসম্বীগী লময়াইদা
মুনুনা ৱারে পোৎথাবা
ঈপাম লমদম য়েংলুবদি
নুংশিবা মায়কৈ তামখরে।
হৈরাংখোইনিদা
চানবা হৈনিদা
চেক্লা পাইখরবনা
পোলবী হনজিল্লকপদা
চেক্লাগী কাইদোংফম খংদবনা
পোলপী কঙাওনখরে।
শাপী ঈনেমচা পাম্মুবী
চীংনুংগী সনা লোকতগী পাইবিরকলোনে।

মথক্কী ইশৈ অসি লান্ন- ইশৈনি। শিরগা পুথোকপদা শক্কদবা ইশৈ নত্তে। লান্না শিজিন্নরকপনি।

কংলৈপাকতা হিন্দু লাকত্রিঙৈদা, ইং চহীচা ১৮গী মমাংদা কংলৈচা মীতৈদি, শিদ্রিঙৈদা সুমাংদা খাংপোকশং মনুংদা চংপী লারাক অমদা, চংপী লফু মতুপ অমদা মোন খাংদুনা লোংনা হিপতুনা লৈরগা শিরমই। মথক্কী ইশৈ অসি মী অদুনা শিরমদাইদা থৌৰাই হকচাং কায়নবদা মতেং পাংনবা মতম অদুদা লান্ন- ইশৈ ওইনা শকপা ইশৈনি। হৌজিকতি লান্ন- ইশৈ অসি লান্না শিবগী থৌরমদা নত্তনা AIR নচংবা মফম কয়াদসু শিজিন্নরে।

শিরবা মীওইবা অদুগীদমক তাইপঙগী মপা ওইরিবা মপু মহাক্কী মফমদা থৌনিজবগা লোইননা, লৈখিদ্রবা অদুগী হকচাং অদু মফম চাবা য়েংদুনা ফুমই।

মতাং অসিদা লৈখিদ্রবগী হকচাংনা উতুপকুম তাদুনা লৈহৌরগা তাইপঙ মীওইবা অদুনা পোকপা নুমিৎতগী শিবা নুমিৎ ফাওবা থানদনা তাইপঙ হকচাংবু কোনদুনা ঙাকপি- শেনবীদুনা লৈরকপা তাইপঙকী থৌৰাই- মিনা তাইপঙ হকচাংবু থাদোক্কুনা তাইপঙ ঈপাক লাল্লগা, পুন্নমক্কী মপা ওইরিবা তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপদা নোংমতোন থকতা তিনখিবগী, নোংকাপা, নোংকালোনগী অহানবা থৌরম লোইরে।

মথংদা কংলৈচা ঐখোয়না হৌজিক খন্নগদৌরিবা ৰাফম অসি, অহানবা থৌরম অসিগী মথংদা, লৈখিদ্রবা তাইপঙ মীওইবা অদুগীদমক, লৈহৌরিবা মচা মশুশিংনা করি তৌফম থোকই, করি তৌগদগে হায়বসিনি।

মথংদা কংলৈচা মীতৈশিংনা, কংলৈ ইপা ইপুশিংনা চহী লিশিং কয়াগী মমাংদগী চৎনরকপা লীচৎকী মতুং ইন্না, শিবা নুমিৎতগী ৭ (তরেৎ) নিশুবা নুমিৎতা চুপশা- মোইথেম পাংথোক্কনি. মসি অনিশুবা থৌরমনি।

## ‘চুপশামোইথেম’ করিনো করি হায়রিবনো ?

কংলৈ মীতৈশিংনা নিংশিংবা থোকত্রবা মতমদগী, ৭নি শুবা নুমিৎতা চুপশা- মোইথেম পাংথোকতুনা লাকই। চুপশা+মোইথেম, চুপশা = চুপ + শা, ‘চুপ’ হায়বদি চুপশিনবা, চংশিনবা ‘শা’ হায়বনা হকচাংদা, মীওইবগী মশাদা, অদুগা মোইথেম = মোই + থেম, ‘মোই’ হায়বনা মীওই, ‘থেম’ হায়বনা থেন্বা, মী অমা ওইরক্লবগী থেন্বা, মপু মঙোন্দা হায়জবা থৌনিজবা। ৭নি শুবা নুমিত্তা পাংথোকলিবা ‘চুপশা- মোইথেম’ হায়বা থৌরম অসি লৈখিদ্রবা মীওইবা অমগী শিবা নুমিৎতা, হকচাং থাদোকতুনা পাইথোকখ্রবা থৌৰাই চেক্লানা তাইবঙ মীওইবা নুপা নুপী অনিগী মশাদা অমুক হন্না চংলকতুনা, অনৌবা লাংওন অমা ওইনা, লৈহৌরিবা মচা মশু, মরি মতাশিংগী মরক্তা তিলহনবীনবা, তাইপঙ পানবা পুন্নমক্কী মপা ওইরিবা মপু মাগী মফমদা থৌনিজবগী থৌরমনি।

হৌজিক্কী মতমদা, ‘চুপশা মোইথেম’ বু ‘লান্ন- থৌরম’ কৌদুনা পাংথোকনৈ, মসি তশৈংবদি অরানবনি। লান্ন- থৌরমদি, লৈতবা নুমিৎতা, শিগদৌরবা মীওই অমদুবু সুমাংদা খাংপোকশং মনুংদা পুথোকতুনা থন্বা, মথক্কী লান্ন- ইশৈ অদু শকপা, লৈখিদ্রবা মীগী হকচাংবু ফুমজিনবা অসিদা লোইখ্রে।

মথক্কী লান্ন- ইশৈগী অরোইবা শরুকতা, 'সাপী ঈনেম মচা পান্মুবী, চীংনুংগী সনালোকতগী পাইবীরকলোনে', হায়না শকখিবা অদুগী মতুং ইন্না, 'চুপশা- মোইথেম' পাংথোক্লকপনি, লান্ন- ইশৈ অদু মুন্না পাবিয়ু শোয়দনা খংবিগনি।

কংলৈচা মীতৈশিংনা লৈতবা নুমিৎতগী থীরগা, চহী অমা হেক ফারকপদা 'ফিরোই' হায়বা থৌরম অমা পাংথোকই। 'ফিরোই' গী মমাংদা চুপশা- মোইথেমগী মতুংদা লৈখিদবা মীওইবগী থা ১২গী থৌরম অমা অমুক লৈরিব্রা, মথংগী খন্নগদবা ৱাফমনি।

হৌজিক কংলৈচাশিংনা, মরু ওইনা হিন্দু লাইনিং চৎপশিংনা, 'দিন' তাই, থোকই হায়না লৈখিদ্রবশিংগীদমক লীচৎ থৌরম অমা থা খুদিংগী ফিরোই, য়ৌদ্রিবা ফাওবা পাংথোকনৈ। মসি তশেংনমক কংলৈচা মীতৈশিংগী লীচৎ- থৌরম নত্তে। মসি হিন্দু ধর্ম্ম লাকপা মতুংদা পুশিল্লকপনি, কংলৈচা মীতৈশিংনা হান্না চৎনরম্বা কংলৈ লীচৎ নত্তে। কংলৈচা মীতৈশিংগীদি, অহানবদা লান্ন- থৌরম অনিশুবদা চুপশা- মোইথেম, অহুমশুবদা চহী ফাবগী অরোইবা লীচৎকী থৌরম 'ফিরোই' অহুম অসিখকতনি।

## 'ফিরোই' করিনো ?

কংলৈচা মীতৈশিংগীদি, শিবা নুমিৎতগী থা ১২, চহী ফাবা ফাওবদা, লীচৎকী থৌরম অহুম খকতনি হায়জখ্রে। লৈখিদ্রবা মীওইবা অমগী থা ১২গী মনুংদা পাংথোক্কদবা লীচৎকী থৌরম অরোইবা অসি ফিরোইনি। অদু ওইরবদি 'ফিরোই' করিনো, থৌরম অসিনা করি তাক্লিবনো?

'ফিরোই' = ফি + রোই, 'ফি' হায়বদি শেৎনবা ফি, ইন্নবা ফি, 'রোই' (রোই হায়বা নত্তে, 'লোই' হায়বনি কংলৈচাগী অশেংবা লোন্নি, হিন্দু লাক্লবা মতমদা চংলকপা অশোইবনি)। মরম অসিনা কংলৈচাশিংগী অশেংবা লীচৎকী থৌরমদি 'ফিলোই' হায়বনি। অদু ওইরবদি, ফিরোই' করিনো ?

কংলৈচা মীতৈশিংনা, নিংশিংবা থোকত্রবা মতমদগী, নুপা অমগী তিললাংনা, নুপী অমগী চালোৎতা তারকতুনা, তাইপঙ মরু হুনববু 'খোইচি খাতা মিহুন হুনলে, মহক শোল্লে', 'লাকয়েন ফিয়াল্লে' হায়না পাউথানৈ। ঐখোয় কংলচৌশিংগী 'ফিলোই' হায়বা ৱাহৈ অসি অহুমশুবা 'লাকয়েন ফিয়াল্লে' হায়বা ৱাহৈ অসিদগী লৌরকপা, ওইরকপা ৱাহৈনি। 'লাকয়েন ফিয়াল্লে' হায়বদি ফি শাবা হৌরে হায়বনি।

কংলৈচা মীতৈশিং অসি মীওইবগী খুন্নাইনা ঙল্লিঙৈগী মতমদগী, হৌজিক্কী মতমগী Science অসি য়াম্না হৈরকপনা, মীওইবা অমগী হকচাং অসি শেমগৎ- শাগৎপদা, মী অনি চংই (নুপা অমা, নুপী অমা) হায়বসি মুন্না খংলমই। মীওইবা শানবা 'তিললাং' অসিনা নুপাদা (মপাদা) থা অনি লৈ, থা অনি অসিগী মতুংদা 'তিললাং' অদু নুপীগী মশাদা (চালোৎতা) থা ১০ (চাওরাক্লা থা তরা) থন্নগা, পুন্না থা ১২ (তরানিথোই) ফারগা তাইপঙ মীওইবা অমা ওইনা নুপীগী মশাদগী থোক্লকই।

মতৌ অসুম্না, নুপাগী মশাদগী লাকপা তিললাং অদুনা নুপীগী মশাদা তারগা লাকয়েন ফিয়ানবা হৌরগা, থা ১০ ফাবতা মীওইবা অমা মনুং ফানা শেমগৎলে, শারে হায়বনি, 'ফিলোই' (ফিরোই) হায়বা ৱাহৈনা ফোংদোকলিবসি।

কংলৈচা পুন্নমক্লা খংবীগদবা ৱাফম অমনা, কংলৈচা পুন্নমক্লা পাংথোকলিবা লৈখিদ্রবা মীওইবা অমগী লৈখিদবা নুমিৎতগী হৌরগা, থা ১২গী মনুংদা পাংথোকলিবা থৌরম পুন্নমকসি নোংগারোল (নোংকালোন)গী থৌরমশিং নত্তে, নোংকুমলোনগী থৌরম ঙাকতনি। মতৌ করম্না নোংকুমলোনগী থৌরমশিং ওইরিবনো য়েংবিয়ুঃ

সুমাংদা খাংপোকশং খনবা, খাংপোকশং মনুংদা চংপী লারাকতা, চংপী মতুপ অমনা মোন ওইরগা, শিগদৌরিবা মী অদু হিপহনবা, লান্ন- ইশৈ শকপা পুন্নমক অসি নোংকুমলোনগী অমুক হন্না শিখ্রবগী থৌৰাই- মি অদুনা পোক্লক্লবগী থৌরম ঙাকতনি। English তা হায়বা তারবদি Rebirth কী ৱাফম ঙাকতনি।

মথক্কী ৱাহৈ খরগী ৱাহন্থোক পীজগে য়েংবিয়ু 'সুমাং'গী ৱাহন্থোকতি মী পুন্নমক্কী থৌৰাইবু সুনা মাংখি হায়বদগী মফম অসিবু 'সুমাং' কৌরিবনি। খাংপোকশং = খাং + পোক + শং হায়বগী ৱাহন্থোকতি সুমাংদা খাংপোকশংগী মনুংদা'শিবা ঙাইদুনা ৱানা অনৌবা মপোক পোক্লবা'হায়বনি। লান্ন- ইশৈদা 'চীংনুংগী সনা লোকতগী পাইবিরকলোনে।' হায়রিবা অদু লৈখিদ্রবগী থৌৰাইনা মীওইবগী মশাদা অমুক চংদুনা অনৌবা পুনসি অমা ওইদুনা ঐখোয়গী ইরক্তা তিল্লখো হায়বনি।

## ফিরোই

কংলৈচা মীতৈ মীওইবা অমনা লৈখিদবা থাদগী পারগা থা ১২ শুবা থাদা পাংথোকলিবা ফিরোই (ফিলোই), হৌজিক্কী মতমদা, 'কুমওন থৌরম' হায়নসু কৌনরবা, লীচৎকী থৌরম অসি লৈখিদবা মীওইবা অমগী লৈহৌরিবা মচা মশু, মরি মতানা পাংথোক্কদবা অহুমশুবা, অরোইবা লীচৎকী থৌরমনি। লীচৎকী থৌরম অসি, লৈখিদ্রবগী থৌৰাই- মি অদুনা অনৌবা পুনসিদা লাংওল্লে (পোকলে) হায়না থাজবগা লোইননা, অনৌবা পুনসি ( লাংওন) অদু তাইপঙ মালেম তমপাকতা ৱাৎত- পাদবা, নুংঙাই য়াইফবা, তাইপংগী মপা ওইরিবা মপু অদুগী থৌথা মপুং ফানা পাংথোকপা ঙম্না লাংওন অমা ওইহনবিনবা মপু মঙোন্দা থৌনিজবগী লীচৎকী থৌরমনি।

তাইবঙ হকচাংদগী শিবা নুমিৎতা পাইথোকখ্রবা থৌৰাই চেল্লা অদু ৭নি শুবা নুমিৎতা, চুপশা- মোইথেম পাংথোকতুনা মপু মঙোন্দা হায়জ- থৌনিজবদগী, তাইপঙকী মপা ওইরিবা মপু মহাক্লা থৌজানবিবদগী, লৈখিদ্রবগী থৌৰাই- মি অদু অনৌবা লাংওন অমা ওইনা তাইপঙদা তিল্লরে হায়বগী থাজবা, মপু মানা মীওইবা ঐখোয়বু নুংশিবীবা চানবীবগীদমক থৌনিজবা, থাগৎচবা, তৌবিমল খংবা উৎপা থৌরমনি, ফিরোই। মরম পুন্নমক অসিদগীনি, কংলৈচা মীতৈশিংদি লাংবন থৌরম (লাংবন তপোন) লৈতে হায়জরিবদু।